# শ্রী লঙ্কাদা এন্টি-গভর্নমেন্ট প্রোটেষ্টরশিংনা প্রসিদেন্টগী ওফিসল রেসিদেন্সতা থোমজিনখ্রে, পিএম রিজাইন তৌখ্রে



কলম্বো, জুলাই ৯ (এজেন্সী):

শ্রী লঙ্কাগী প্রসিদেন্ট গোটাবয়া রাজাপক্সা মফম থাদোক্নবা তকশিল্লিবা এন্টি-গভর্নমেন্ট প্রোটেষ্টরশিংনা থাংজ নুমিত্তা কলম্বোদা লৈবা প্রসিদেন্টগী ওফিসল রেসিদেন্সতা থোমজিনখ্রে।

পুলিস অমসুং মিলিটরি বেরিয়ের কয়া লৈদুনসু প্রোটেষ্টরশিংনা নম্ফুদা প্রসিদেন্টগী ওফিসল রেসিদেন্সতা থোমজিনখিবনি। পুলিস অমসুং দেমোন্সট্রেটরশিংগী মরক্তা কন্না মুক্নবদগী য়ামদ্রবদা মীওই ২০ হোস্পিটলাইজ তৌখি।

অহিং চুপ্পা প্রসিদেন্টগী য়ুমগী মপানদা লৈরকখিবা দেমোন্সট্রেটরশিং অমসুং কলেজকী মহৈরোয়শিং তানখায়নবা হোৎনবদা পুলিসনা টিয়র গ্যাস সেল কয়া কাপখি। ইরাং মরক্তুদা প্রসিদেন্ট গোটাবয়া রাজাপক্সা কদায়দা লৈখ্রবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রবসু মহাক বত্তরামুলাদা লৈবা নীংথিনা ঙাক শেল্লিবা আর্মি হেদ ক্বার্টর্সতা চঙজফম লৌরম্বা য়াই হায়না থাজনখি।

প্রসিদেন্ট রাজাপক্সা অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর রানিল ৱিক্রেমেসিঙ্ঘে মফম থাদোক্নবা দিমান্দ তৌরদুনা ইথৎ লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা লৈরিবা লাইনিং লাইশোলগী লুচিংবশিং, পোলিটিকেল পার্টিশিং, ডাক্তরশিং, য়ুনিভর্সিটি প্রোফেসারশিং, সিভিল রাইটস এক্তিভিষ্টশিং, লৌমীশিং অমসুং ঙামীশিংনা থাংজ নুমিত্তা কলম্বোদা অচৌবা প্রোটেষ্ট অমা পাঙথোক্নবা থৌরাং তৌখিবনি।

দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা মীয়ামদা ৱার্নিং পীরদুনা ভাইওলেন্সতা চেন্নবশিংগী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎনবা পুলিস অমসুং লান্মীশিংদা ওথোরিটি শিন্নখ্রে হায়না লাউথোকপা লৈখ্রবনি।

হৌখিবা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাং অমদি অহিংগী মতমদা ওথোরিটিশিংনা কলম্বোগা তাইনবা মফমশিংদা মতম কক্তনা কার্ফিয়ু থমখি। তৌইগুম্বসুং কার্ফিয়ু লাউথোক্লিবদু লোগী মায়োক্তনি হায়না উকিলশিংনা লাউথোকখি অমদি প্রোটেষ্টতা শরুক য়ারিবা মীওইশিংনা কার্ফিয়ুগী চিংনবা লৈরোইদবনি হায়না খঙহনখি।

ইথৎ লৈবাক অদুগী মফম কয়াদা লৈরিবা মীওইশিংনা রেল অমসুং বস তোংদুনা থাংজ নুমিৎকী অঙনবদগী কলম্বোদা লাক্লখি। মখোয়না গোটবয়া ফম থাদোকউ, ৱিক্রেমেসিঙ্ঘে ফম থাদোকউ হায়বা খোল্লাউশিংসু লাউখি।

কুমজা ১৯৪৮ দা শ্রী লঙ্কা নিংতম্বা ফঙখিবা মতুংদা ইথৎ লৈবাক অসিনা মায়োক্নরক্লিবা খ্বাইদগী শাথিবা শেল থুমগী ক্রাইসিসকা মরী লৈননা মীয়াম্না প্রসিদেন্ট রাজাপক্সা অমসুং মহাক্কী গভর্নমেন্টগী মায়োক্তা হৌখিবা মার্চ ৩১ দগী অকনবা মওংদা দেমোন্সট্রেসন চত্থরকখিবনি। প্রোটেষ্টরশিংনা প্রসিদেন্ট অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর ফম থাদোক্নবা দিমান্দ তৌখি।

চৈরকসিদা ইথৎ লৈবাক অদুগী ক্রাইসিস অদুদা লাকপা মরু ওইবা খোঙথাং অমদা প্রাইম মিনিষ্টর রানিল ৱিক্রেমেসিঙ্ঘে মফম থাদোকখ্রে। পার্টি পুন্নমক্কী ওইবা এদমিনিষ্ট্রেসন অমা লাকহন্নবগী লম্বী ফাৎলদুনা ৱিক্রেমেসিঙ্ঘেনা প্রাইম মিনিষ্টরগী ফম থাদোকখিবনি হায়রি।

রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্না অকনবা দেমোন্সট্রেসন মরক্তা মহাক্কী পার্টিগী কোলিগশিংনা পীরকপা সজেসনশিং য়ারদুনা মহাক মফম থাদোকখিবনি। মদুগী মমাঙদা প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসনা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা লৈবাক্কী য়েংলগা ৱিক্রেমেসিঙ্ঘে মফম থাদোক্নবা শেম শারে হায়না পনখি।

হৌখিবা মেদা ইনৌ নৌনা ওফিস পায়বা হৌখিবা ৱিক্রেমেসিঙ্ঘেনা লৈবাক অদুগী শেল থুমগী ক্রাইসিস কোকহন্নবা শিংথানিংঙাই ওইবা খোঙথাংশিং লৌখৎপা ঙমখিদে।

রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্না পার্টি কোলিগশিংনা ৱিক্রেমেসিঙ্ঘেদা লৈবাক শিন থুংনা অকনবা প্রোটেষ্টশিং চত্থরক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা মহাক প্রসিদেন্ট গোটাবয়া রাজাপক্সাগা লোয়ননা খুদক্তা ফম থাদোক্নবগী সজেসন পীখি।

# নোংচুপলোমনা সিরিয়াগী মতাংদা পুথোরকপা রিজোলুসন শৌগৎতুনা ইন্দিয়ানা ভোট পীখ্রে



য়ুনাইটেদ নেসন্স, জুলাই ৯ (এজেন্সী):

লানগী চৈথেং নঙলক্লবা সিরিয়াগী মফম কয়াদা মখা তানা তেঙবাংগী পোৎলমশিং য়ৌহন্নবা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা য়ুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিলদা পুথোরকখিবা রিজোলুসন অমা শৌগৎতুনা ইন্দিয়ানা ভোট পীখ্রে।

অমরোমদা, রসিয়ানা প্রপোজ তৌখিবা কাউন্টর-মোসন অমগী মতাংদা ভোট লৌনবদগী ইন্দিয়া য়াওখিদ্রে হায়রি।

কাউন্সিলদা মেম্বর লৈবাক খরনা বিটো শীজিন্নখিবনা মরম ওইদুনা রিজোলুসন অমা পাস তৌবা ঙমখিদে। টর্কি ফাওরগা সিরিয়াগী রেবেলশিংনা কন্টেক্ট তৌবা এরিয়াশিংদা হ্যুমেনিটরিয়ন মতেং থাবগা মরী লৈনবা অমগা অমগা য়ান্নদবা রিজোলুসনশিং মেম্বর লৈবাক খরনা ইরাই নুমিত্তা বিটো তৌনখি।

হ্যুমেনিটরিয়ন মতেং মখা তানা থাজিনবগী মতাংদা কাউন্সিলদা য়ান্নদবগী ফিভম লাক্লিবদুগী মরমদি টর্কিগা তাইনবা বাব অল-হাৱা বোর্দর ক্রোসিং শীজিন্নবগী মতম নোংমাইজিং নুমিত্তা লোইখ্রবসু করম্না অমদি মতম কয়াম শাঙনা মেন্দেট অদু অমুক শাংদোক্কদগে হায়বগী মতাংদনি। বোর্দর ক্রোসিং শীজিন্নবগী মতম শাংদোকপগী মতাংদা য়ান্নদবা কয়া লৈরিবা অসিনা য়ুক্রেনগী লাননা মরম ওইদুনা য়ুএনদা মালেমগী মরু ওইবা ইস্যু কয়াগী মতাংদা অরুবা তানফম কয়াদা য়েৎনরিবা পার্টিশিংগী মরক্তা মত অমত্তা ওইনা থবক তৌবা ঙমদে হায়বসি উৎলি।

নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা পুখৎলকখিবা রিজোলুসন অদুগী মায়োক্তা রসিয়ানা পুখৎলকখিবা মেন্দেট থা তরুক্তমক শাংদোক্লবগী কাউন্টর মোশন অমা য়ুএস, য়ুকে অমসুং ফ্রান্সনা বিটো তৌদুনা পাস তৌবা য়াখিদে। রসিয়ানা স্পোন্সর তৌবা রিজোলুসন অদু শুপ্নগী চাইনানা শৌগৎখি অমসুং অতৈ লৈবাক তরাদি ভোট লৌনবদুদা শরুক য়াখিদে। ইন্দিয়াসু রিজোলুসন অদুগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী পোজিসন খঙহন্নবা কাউন্সিলগী মীটিংদা ৱা ঙাঙবগী তাঞ্জা ফঙলবা মতমদসু নাথৈদুনা রিজোলুসন অদুগী মতাংদা করিমত্তা পনখিদে।

তৌইগুম্বসুং কেনিয়াগী পার্মেনেন্ট রিপ্রজেন্টেটিব মার্টিন কিমানিনা ইন্দিয়া অমদি অতৈ নন-পার্মেনেন্ট মেম্বর মাপন্না মহুৎ শীন্দুনা ঙাঙবদা মখোয়না বোর্দর ক্রোসিং অদু শীজিন্নবগী এরেঞ্জমেন্টশিং থা ১২ শাংদোকপগী ৱাফম শৌগৎলি হায়খি।

# জপানগী হান্নগী পিএম সিঞ্জো অবেগী মীহাৎ মেম্বর ৯০ গী টাস্ক ফোর্সনা প্রোব তৌরগনি

টোকিও, জুলাই ৯ (এজেন্সী):

নরা সিটিদা পাঙথোকখিবা মীখলগী কেম্পেইন রেল্লিদা ৱা ঙাঙলিঙৈদা নোংমৈনা কাপ্পদগী লৈখিদ্রবা জপানগী হান্নগী পিএম সিঞ্জো অবে হাৎখিবগী কেসকী মতাংদা থিজিন্নবগীদমক মেম্বর ৯০ গী ওইবা টাস্ক ফোর্স অমা শেল্লগনি হায়না লৈবাক অসিগী পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেট ব্রোদকাষ্টর (এনএসকে) গী রিপোর্ট মতুং ইন্না ৱাফম অসি ইরাই নুমিৎকী অহিং অথেংবদা নরা প্রিফেকচরগী পুলিসনা প্রেস কনফরেন্স অমদা লাউথোকখিবনি। পুলিসনা ফোঙদোকখিবদা অবেনা ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্তা য়ামা সিটিগী য়ামাতোসাইদাইজি ষ্টেসনগা নক্লনা স্পিচ অমা পীখিবা মতমদুদা লৈখিবা সেক্যুরিটি এরেঞ্জমেন্ট মখোয়না রিভিয়ু তৌগনি হায়খি।

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SUGNU

**Ref :- Mutation Case No. 370 of 2022.**

App :- Moirangthem Khoimu Singh S/o Rabei Singh of Tangjeng Khunjao.

-Vs-

Opp :- (L) Moirangthem Kulladhaja Singh S/o (L) Maiten Singh of Tangjeng.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dated : 30/05/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তহসিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং ৮৯-তাংজেং পাট্টা নং ৩৭ দাগ নং ১০১ এরিয়া .৩০ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখে, মরম অদুনা দরখাষ্টকরিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sugnu

HL-P/3281/10

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG, IMPHAL EAST

**Ref. Mutation Case No. 399/SDC/SWG/2022**

Parties : Sarangthem Roshini Chanu, D/o (L) S. Manihar Singh of Thangmeiband Hijam Leikai - Petitioner

-Vs-

Late Pattadar : Sarangthem Manihar Singh, S/o (L) Tomba Singh of Thangmeiband Hijam Leikai - Opposite Parties

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Sawombung, the 7th July, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি শওম্বুং তহশিলগী খুল ন: 70-Chonthaba Khun পট্টা ন: 326 (অরিবা) 309/922 (অনৌবা) দাগ ন: 1163/1392 মোট এরিয়া 1.25 একর চাওবা ফৌরেল/লৌফমগী পাট্টাদার Sarangthem Manihar Singh অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মৃ: গী মিং কল্লগা মহাক্কী মমিংদা নমা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিং আপতি / ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি খবর অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা চে ওইনা আপতি পীরবা য়াগনি মতুং লাকপা চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector, Sawombung**
Imphal East

HL-P/3303/10

## ꯑꯋꯥꯕ / অৱাবা ফোঙদোকচবা



সমোম শাগৈ অপোকপা লুপ মালেম লৈকোইপুংগী থৌপুরেল ওইবীরম্বা সমোম মংলেমজাউ মৈতৈ কাংমোং লাইশ্রম লৈকাইদা লৈবীরম্বনা হৌখিবা চৈচৎ ৭/৭/২০২২ ইঙেনগী ৮ নি পানবা শগোলশেন নুমিৎতা খঙহৌদনা লৈখিদবদা চৈচৎ ৮/৭/২০২২ ইঙেনগী ৯ নি পানবা ইরাই নুমিৎকী অয়ুক পুং ৮.৩০ তারকপদা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগা সমোম শাগৈচাশিংগা লোয়ননা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না তাইবং মপুগী লৈকোন্দা ইংনা চিক্না লৈরুনবগীদমক থৌনিজখি। লোয়ননা নাইতোম ওইনা লৈহৌরিবা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু লুপ অসিনা শরুক য়াজরি।

**ফোঙদোকচরিবাঃ-**
**সমোম শাগৈ অপোকপা লুপ**
মালেম লৈকোইপুং

HL-P/3286/10

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: KUMBI, MANIPUR

**Ref :- Mutation Case No. 209/SDC/Kumbi/2022**

Shagolsem Lakpati Singh S/o Maimu Singh of Wangoo Ahallup Makha Leikai. -Petitioner

-Vs-

Shagolsem Ongbi Melei Devi W/o Lakpati Singh of Wangoo. -OP/Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Kumbi, 7th July, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ... দা লৈবা পাট্টা নং ... (অরিবা) অমসুং ১৩৮৪ (অনৌবা) সী এস দাগ নং ৪২৭৬/৪৬০১ এরিয়া ০.৮৭ একর চাওবা তাওথবী লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা লম অসিগী মৃ: পাট্টাদারগী ইমুং মনুংনা মীং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি / ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি। মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই।

**Sd/- Sub-Deputy Collector:**
Kumbi

HL-P/3280/10

## ꯊꯕꯛ ꯅꯥꯕ / থবাক নাবা, খনাউদা ইথনদা থনগৎলগা লৈবগুম তৌবা, কোক চিকপা অমদি ঙাওবা, চাবা তুমদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, অহিং তুম্বা য়াদবা, হকচাংগী ইন্দ্রি শোন্থরকপা, খোঙ খুৎ উচিরাই তোয়না কারগা নুংঙাইতবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।



ঐগী হকচাংদা নুংশিৎ কাবনা য়াম্না কন্না নাদুনা পুক্তা নুংশিৎ কারগা থবাক নাবা, শ্বর হোনবা ৱাবা, করিগুম্বা অমা চাশিল্লবসু খনাউদা ইথনদা থনগৎলগা লৈবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, চাবা তুমদবা, পোথারগদা লৈনিংবা, কোক চিকপা, খ্বাং নারগা থবক কুইনা শুবা ঙমদবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা নাবা, খোঙ খুৎ শাজিং তোয়না হৌরগা য়াম্না নুংঙাইতবা, কল্লাক মরী নাবা, পুকচেপ নাবা পুক শাওগৎলগা শা-ঙা চাবা য়াদবা, শা-ঙা চারগনা পুক্তা নুংশিৎ কাবা হেনবা, ওইগী খোঙ নাম্মা মরক মরক্তা শিথরকপা অদুগা শিথবা অদু অমুক ফখিবা, মরক মরক্তা খোঙ হাম্বা য়ারক্তবা, অমাংথোঙ মপান্দসু মরেং মরেং চৎলগা হাক্লৎচবা, মশনশিং অসি চিকপা, শিংলি নাউরি শোনবা থবক শুনিংদবা, পোথারগদা লৈনিংবা, নোংম-নোংমগী হকচাং ময়েং তাশিল্লকপা, য়ারোমদা তোয়না তোয়না খেগৎলকপা, অমাংথোঙদা নুংশিৎ তোয়না চৎলু য়াদবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam** ☎ **8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **T. Sarat Singh**
Wabagai

HL-B/7692/10

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## OFFICE OF THE REGISTRAR OF SOCIETIES: MANIPUR
## ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE OF OBJECTION

Imphal, the 7th July, 2022

No. P/M/SR/2022: It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from "Shree Shree Govindajee Dhup Arati Sana Pala' on 21st April, 2022 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of the Whole State of Manipur.

In the matter, notice for objection is circulated / notified for information of general public/registered Assn. for submitting/inviting objection if any in writing (Aadhaar of the complainant or secretary with seal for orgn.) to the undersigned against the formation/ registration of proposed society/organization/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication. Complaints/objections if not submitted during the mentioned period, the application for registration in the proposed name of Assn./NGO/Orgn. may be initiated/ considered/proceeded for registration as deemed fit under Section 7(1)(2) of MSR Act, 1989 and Rule 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/ hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/ entertained.

**Sd/- T. Pradwipkumar Singh**
**Asst. Registrar of Societies, Manipur**

HL-P/3277/9,10,11


**T.M.D. BRICK FARM**

Address: Opp. Khongjom Police Station
NH-39, Thoubal District, Manipur

| Sl. No. | Brick Class | Rate per 1 Brick |
|---|---|---|
| 1. | 1st Class | Rs. 15.00/- |
| 2. | 2nd Class | Rs. 14.00/- |
| 3. | 1st Reject | Rs. 13.00/- |
| 4. | Petti | Rs. 13.00/- |
| 5. | Jhamat | Rs. 10.00/- |
| 6. | 3rd Class | Rs. 8.50/- |
| 7. | Broken brick (Chektek) 1 (407 Truck) | Rs. 6000/- |

DELIVERY TRANSPORTATION CHARGES

| KM (Distance) | No. of Bricks | Rate |
|---|---|---|
| 30km | 2000 | 2800/- |
| 15km | 2000 | 2000/- |
| 10km | 2000 | 1500/- |
| 30km | 1500 | 2300/- |
| 15km | 1500 | 1700/- |
| 10km | 1500 | 1200/- |

Labour Charges:
2000 Brick, Rs. 800/-
1500 Brick Rs. 600/-

First Come First Serve

Contact No. 8119002731/7005658426

HL-P/3304/10,12,14,16,18,20,22,24,26,28,30 (July) 1,3,5,7 (Aug) Alt Days



ꯑꯦ ꯁꯤ ꯑꯥꯏ
ACI SCHOOL
A CO-ED. HR. SEC. SCHOOL AFFILIATED to COHSEM

UNDER THE GUIDANCE OF HUMAN RESOUCE CENTRE AND RESEARCE INSTITUTE (Regd. No. 729)

RUN BY ADVANCED COACHING INSTITUTE

FOR ONLINE REGISTRATION
www.advancecoachinginstitute.com

WITH 2 YEAR INTEGRATED CLASS FOR NEET/JEE/NDA

ADMISSION OPEN For XI Sc. & XI Arts

World class standard classroom With Smart Class

1. FOR TOP POSITION HOLDERS IN THE HSLC EXAM: Freeship + Book grant fee+Scholarship
2. STUDENTS WHO SCORED 85%-92% IN THE HSLC EXAM: Admission free + Half Tuition free+ scholarship
3. 80%& BOVE:Admission free+Scholarship+ Book grant
4. 75% AND ABOVE: Half admission fee+book grant
5. 70% and above : Half Admission
6. 60% and above : Direct Admission to some limit

SELECTED THROUGH ENTRANCE TEST:
1. 1st to 20th position : FREE ADMISSION FEE
2. 20-100 position: FREE UNIFORM
3. 100-300 position holders: BOOK GRANT
5. 300-400 position holders: DIRECT SELECTION

Special faculty members having more than 10yrs Expelences
PHY: DR. DEVADATTAMANI / DR. JOYSHANKAR / BIDYAKANTA (IIT)
Chem: R.K. BAHADUR /MANGLEMBI NET(P.Hd)
Maths: DR. SANJIT /KIRANMALA (Gold medalist)
Botany : DR. BIJEN / DR.THAJAMANBI
Zoology : DR. RANJITA / KH. SEITYABATI
Supporet by special Faculty members of ADVANCED COACHING INSTITUTE

For offline registration : OFFICE OF THE ADVANCED COACHING INSTITUTE
NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI or KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI

HL-B/7721/8,9,10,11,12,13,14,15,16,17 July



ADVANCED COACHING INSTITUTE (HURRY! LIMITED SEAT)

THE LARGEST, TRUSTED & PREMIER COACHING INSTITUTE IN IMPHAL, MANIPUR

FOUNDATION COURSE FOR NEET /JEE

2YEARS FOUNDATION COURSE FOR CLASS XI APPEARING STUDENTS
(SURE TARGET TO FIRST ATTEMPT) FREESHIP FOR POSITION HOLDERS IN HSLC

1YEAR FOUNDATION COURSE FOR XII APPEARING STUDENTS
ONCE U ARE ADMITTED WITH DETERMINATION WE WILL SUPPORT U UNTIL SELLECTION WITHOUT ANY FEE
SPECIAL CONCESSION FOR THOSE STUDENTS WHO R FINALCIAL POOR AND MERITORIOUS

7 MONTHS FOUNDATION COURSE FOR CLASS XII PASSED STUDENTS
WORLD CLASS (A.C. ROOM) SMART CLASS WI. FI CAMPUS

1. SPECIAL SUNDAY TEST SERIES & MONTHLY MOCK TEST
2. STUDY MATERIALS BASED ON NCERT & PREVIOUS YEAR QUESTION AND ANSWER
3. Well Experienced faculties
4. separate boys & girls hostel

MEDICAL AND ENGINEERING CLASS WILL BE STARTED FROM 15TH & 18TH JULy

For more detail pliz visit facebook page/instagram & utube of Advanced Coaching Institute and website to www.advanceecoachinginstitute

LIMITED SEAT VAN SERVICE
BATCHES : 5 –9AM 6–9AM 12—3PM 4.30- 7.50pm

For Quary : 9862992105 NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI BRANCH & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI BRANCH

HL-B/7721/8,9,10,11,12,13,14,15,16,17 July



ADVANCED COACHING INSTITUTE ꯑꯦ ꯁꯤ ꯑꯥꯏ

OUR POSITION HOLDERS IN BOSEM, CBSE AND COHSEM EXAM
COUNT IF YOU CAN .........




STATE BOARD /COUNCIL (Sc/Arts/Comm) | CENTRAL BOARD (CBSE) Sc/Arts/Com | CBSE X EXAM S. SNEHA 95.5%

FOUNDATION COURSE X,xi & XII
3rd Batch FROM 7th,11th,15th july
SPECIAL FOUNDATION COURSE FOR VI TO IX
3rd Batch FROM7th,11th,15th july
SPECIAL CBSE VACCATION COURSE

CBSE FOUNDATION COURS X,xi &XII
3rd Batch FROM 7th,11th,15th july
CBSE FOUNDATION COURSE FOR VI TO IX
3rd Batch FROM 7th,11th,15th july

MANY MORE

PRINTED STUDY MATERIALS ** SUNDAY MOCK TEST SERIES
SPECIAL CONCESSION for Govt. school & 85% & Above

For more detail pliz visit facebook page/instagram & utube of Advanced Coaching Institute and website : www.advancecoachinginstitute

Hurry ! Hurry !! Limited Seat
SEPARATE HOSTEL FOR BOYS & GIRLS
Batches for Kwakeithel (VAN SERVICES)
4 to 7.20 pm 4.15– 7.40pm (class ix to xii
2 pm to 4 pm (class vi to viii)
BATCHES FOR NAGAMAPAL (VAN SERVICES)
4.30-6.30AM(FOR COMM & ARTS)
3.40– 7.00PM (COMM &ARTS) &
4.30 TO7.20 (VI TO VIII) 4.30 TO 7.50 (XI/XII SC.)

For Quary : 9862992105 NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI or KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI

HL-B/7721/8,9,10,11,12,13,14,15,16,17 July